ইবুধৌ থাংজিংগী লাইফম মাংথোক্লবা হোৎনবীগনু

ইম্ফাল, জুন ১১ঃ হন্দক চহীগী ওইনা ইবুধৌ থাংজিং লাইহরাওবদা থোকখিবা থৌদোকশিং অমদি তারিবা ময়াম অসি খ্বাইদগী লাইবক থিবা তাফম-উফম থোক্তবা ঙাক্তনি। তাহে-উহৈদবা ময়াম অমা থাংজিং লাই হরাওবদা থোরকপা হায়বা অসি থাংজিং লাইবু থৌগল তৌরিবা কাংবুগী অশোইবা লৈরে হায়বা তাকপনি। অশোইবা তাকপা, ঙাংবশিং চঙজরক্কদবনি হায়বা অসি ইকাইনিংঙাইনি হায়না দি কংলৈ বুমেন সোসাইটি (কে দব্লিয়ু এস) কী সেক্রেটরি ঙাঙোম কুঞ্জালতাগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, হৌজিক ওইরিবা খুন্নাই অসিগী শেং মীৎলোনগী অমদি শুফম-নোম্ফম লৈতবগী চরাংনবা কয়া অসি খঙনা খোঙ থাংবগী মহুৎতা তৌনিংবা তৌদুনা থা ১ চুপ্পা লাই হরাওবদা পুখৎগদৌরিবা অসি মোইরাংদা লৈবা খরখক নত্তে। লমদম অসিগী পুম্নমক্কী ওইনা পুখগদৌরিবনি। মতম অরেপ্পা লৈতনা লাই হরাওরকপদগী অমদি ঙাক-শেনবা লৈতবদগী ঙসি থোরক্লিবা ৱাথোক অসিদগী হেন্না ৱাথোক কয়া থোরক্তুনা মীশি-মীনা ফাওবা য়াওরকপা য়াই। মরম অদুনা লাই হরাওবগী অরেপ্পা মতম লৈহনগদবনি।

মীনা মীশিং য়ামদ্রিঙৈ ফৌ খরা লোক্লগা, ঙা খরা ফারগা পংহিং হিংলীঙৈগী মতম অদু ঙসিদি নৎত্রে হায়বা অসি থাংজিংগী মরী লৈনবশিংনা খঙদবা অসি খ্বাইদগী লাইবক থিবনি। ২১ শুবা চহীচাগী য়াম্না চাংয়েংনরকপগী চৈরক অসিদা সেবা মন্দল, ফম্নাইবা চৈরাপ অমদি মাইবা লোইশঙনা অপংবা মপাল থোকপা য়াবা থৌওংশিং অদু চথবীগনু। লোয়ননা থাংজিংগী লাইমাং অসি নত্রবদি শেল তানফম লৈতবরা হায়বা ৱাহং অমা লাক্লে। হৌজিক চথরিবা থৌওংশিং অসি থাংজিং লাইগী অচুম্বা কাংলোন অদুরা হায়না হংলক্লি। পংহায় হায়জিন্দুনা অশোইবা তৌফম থোক্তবা ময়ামশিং অসি লোৎশিল্লগা উকলদা তাইনরগা থৈদোক্লবা হোৎনবা অসি মখা চথদনবা শিনবীয়ু। থাংজিং উমংলাই হরাওবগী অশোইবশিং অসি উকলনা পুথোক্তুনা খঙহনবীরকপা অসিমক থাগৎফম থোকই। লোয়ননা উকলবু চঙজরক্কদবনি হায়না পাউ-চেশিংদা থল্লক্লিবা ৱাফম অসি চৎনবা য়াবা ৱাফম হায়বদু ওইগদরা হায়না হংলক্লি।

তোঙান-তোঙানবা হিরমশিংদা মণিপুরদগী মীওই কয়া মনা পীনবা খল্লক্লে

ইম্ফাল, জুন ১১ঃ লাক্লিবা জুন ১৬ অমসুং ১৭ তা অসামগী ধুব্রিদা পাঙথোক্কদবা লৈবাকসিগীদমক্তা সহিদ ওইখ্রবশিংদা ইকাই খুম্নবা উৎপা থৌরমদা তোঙান-তোঙানবা হিরমশিংদা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক থৌরম কয়া তৌবা মীওইশিংদা মনা পীনবা খল্লকপদা মণিপুরদগী মীওই কয়া য়াওরক্লে হায়না দলিট সাহিত্য একাদমি মণিপুরগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, মনা পীনবগীদমক খল্লকপদা য়াওরক্লবশিং অদুগী মনুংদা থিয়েটরগী লমদা তোংব্রম বিরেন্দ্র থাঙ্গা অমদি লাইশ্রম প্রিয়োকুমার মীতৈ লাইমনাই, নট সঙ্কৃতনগী ঈশৈদা চোংথাম সনাতোম্বা লাংমৈদোং, হৈক্রুজম তোম্বা সিংহ, সাপম কিরন সিংহ লাংমৈদোং, লোইতোংবম ইঙোবা ৱাঙু লাইফম, মনোহর কৃত্দা গুরুময়ুম কিরনচন্দ্র শর্ম্মা ব্রহ্মপুর, ৱারী লীবদা শমুরাইলাৎপম কুঞ্জাবিহারি শর্ম্মা য়াইরিপোক, পুংদা ওইনাম বুধিচন্দ্র সিংহ মাইবম লোকপা চীংনিং, দয়ানন্দা কয়েনপাইবম তোপ অৱাং লৈকাই, মোইরাংথেম নোংয়াই সিংহ কুম্বী, মোইরাংথেম নোংঙান কুম্বী, এদুকেসনগী লমদা খাইদেম চাউবী দেবী তাকয়েল খোংবাল, থিয়াম নিলামনি সিংহ খুরাই, লোংজম তিকেন মীতৈ লাংমৈদোং, মীয়ামগী থবক থৌরমদা ঙৌবা থৌনা লাংমৈদোং, দিমোনাং পামৈদাখোং ভিলেজ, থোকচোম ভুবন সিংহ বামোন কম্পু, খাইদোন কামৈ, জে শিমোন মরিং তুইসিমি ভিলেজ, খোংজোম পর্ব্বাদা মাইবম শ্যামা দেবী কৈশামথোং, থৌনাওজম অশালতা দেবী ক্বাকৈথেল, মোইরাংথেম সনাতোম্বী দেবী তেম্বা, য়ুম্নাম সুনিল সিংহ শিংজমৈ, মিষ্টর এস অমু কোম লিতান ভিলেজ অমদি মোইরাংথেম ওংবী সনাতোম্বী দেবী তেম্বা হায়রিবা মীওইশিং অসিনি। মনা পীবগী থৌরম অদুদা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুরদগী মীওই ৭ না শাবা মীহুৎ কাংবু অমা লাক্লিবা জুন ১৪ দা অসামগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লবা থৌরাং তৌবা লোইরে হায়না দলিট সাহিত্য একাদমি মণিপুরগী চেরোল অমনা হায়রি।

য়ুদিআইদি প্রোজেক্টনা দিসএবল্ড পার্সনশিংনা স্কিম প্রোজেক্টশিং লৌনবা দিপার্টমেন্টতা চৎতুনা রেজিস্ট্রেসন তৌবগী খুদোংচাদবা কোকহল্লগনি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১১ঃ ভারত সরকারগী মখাদা মিনিষ্ট্রিনা পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিশিংগী ওইনা য়ুনিক আইদি ফোর পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটি (য়ুদিআইদি) প্রোজেক্ট পায়খৎলকপা অসিনা দিসএবল্ড পার্সনশিংনা মখোয়গী ওইবা স্কিম নৎত্রগা প্রোজেক্টকী মতাংদা দিপার্টমেন্টতা ৱানা চৎতুনা রেজিস্ট্রেসন তৌবগী খুদোংচাদবশিং অদু কোকহনবা ঙম্লগনি হায়না সোসিয়েল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর ঙাঙোম উত্তমনা ফোংদোকখ্রে।

ভারত সরকারগী মিনিষ্ট্রি ওফ সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্টকী মখাদা মণিপুর সরকারগী সোসিয়েল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিটি কনভেন্সনদা ইমপ্লিমেন্টেসন ওফ য়ুনিক আইদি ফোর পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিস (য়ুদিআইদি) প্রোজেক্ট ইন মণিপুর হায়বসিদা সিএমও, দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফেয়র অমদি ষ্টেকহোল্ডরশিংগী ওইনা পাংথোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রামদা শরুক য়াখিবা দাইরেক্তর এনজি উত্তমনা মখা তানা হায়খিবদা মিনিষ্ট্রি ওফ সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্টনা দিসএবল্ডশিংগী ওইনা ইন্দিয়া পুম্বদা য়ুনিক আইদিগী প্রোজেক্ট পায়খৎলক্লিবা অসিনা মণিপুর অমদি ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিগী মশিং অসিসু লাইনা খঙদোকপা ঙম্লগনি।

হৌজিক মণিপুরগী ওইনসু পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিসশিংগী ওইবা চপ চাবা দটা অসি খঙদোকপা ঙমদনা লৈরিবা অসিদসু প্রোজেক্ট অসিনা অপুনবা মীশিংদগী দিসএবল্ড পার্সনশিং অসি খঙদোক্তুনা মখোয়গী ওইবা থৌরাংশিং পায়খৎলকপা মতমদসু অরাইবা অমা ওইরগনি।

দিসএবল্ড পার্সনশিংনা য়ুদিআইদিগী এপ্লিকান্ট ওইনবগীদমক ওনলাইনগী খুখাংদগী এপ্লিকেসন য়াম্না লাইনা ত্রেক তৌবা য়াগনি। পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিশিংনা য়ুদিআইদিগী এপ্লিকান্টগীদমক দিপার্টমেন্টতা চৎপগী মথৌসু তাদ্রে। মনাক নকপা কম্মন সার্ভিস সেন্টরশিং নৎত্রগা কম্প্যুটর ইন্টরনেটকী খুদোংচাবা লৈতবশিংনসু দিষ্ট্রিক্ট সিএমও ওফিসশিংদসু কম্মন সার্ভিস সেন্টর হাংদুনা থমগনি। হায়রিবা অসি দিসএবল্ড পার্সনশিংনা খুদোংচাবা লৌবিদুনা য়ুনিক আইদি অসি পায়নবা হোৎনবিয়ু হায়খি।

ট্রেনিং অদুদা শরুক য়াখিবা দিই পিদব্লিউদি মিনিষ্ট্রি ওফ সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট গর্ভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী অন্দর সেক্রেটরি দিকে পন্দানা ফোংদোকখিবদা প্রোজেক্ট অসিনা দিসএবল্ড পার্সনশিংনা মখোয়গী ওইবা প্রোজেক্ট স্কিমশিংগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কোকহন্দুনা প্রোজেক্ট স্কিমশিং দিলিভরি সিষ্টেমদা ত্রান্সপরেন্সি লৈনা থবক তৌগনি হায়না ফোংদোকখি।

ইরাবত পার্ক শান্তিপুর সঞ্জেনবমদা ইনভাইরোনমেন্ট কন্নবগী উপাল থাবা হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ঃ ঙসি অয়ুক সঞ্জেনবম লোকচাও শান্তিপুরদা লৈবা ইরাবত পার্কতা গ্লোবেল ৱার্মিংগী শাথিরবা চৈথেং অসি খরমখৈ হস্থহন্নবা শরুক অমা ওইনা উপাল থাবগী থৌরম অমা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল সি পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি কমরেদ এল সোতিনকুমারনা লুচিংদুনা হৌদোকখ্রে হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল সি পি আইগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, উপাল থাবগী হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল সি পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি কমরেদ এল সোতিনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, লোকচাও শান্তিপুর অসি ঙসিদি চহী কয়াগী মমাংদগী ইরাবত পার্ক শেমগৎতুনা উপাল কয়ামরুম থাদুনা য়াম্না ফজরবা লোকচাও অমা ওইরক্লি। লোয়ননা মীয়ামগী লুচিংলেন ইরাবতকী মিংদা শেমগৎখিবা মফম অসিদা হৌরিবা উপাল ৱাপালশিংবু নিংথিনা ঙাক-শেনবা অমদি অনৌবা উপাল কয়ামরুম থাদুনা অশংবা উমং অমা ওইহন্নবগী তঙাই ফদবা লৈ। লোয়ননা মফম অসিদা লৈরিবা ইরাবত ম্যুজিয়মগী শঙলেন্দা চাং নাইনা ইনভাইরোনমেন্ট কন্নবা মীয়ামদা এৱার্নেস পীনবা হোৎনরগনি হায়খি। মতম অমদা হায়রিবা মফম অসিদা কম্যুনিষ্টনা অন্দর গ্রাউন্দদা লৈরিঙৈগী মতমদা লোকচাও শান্তিপুরগী মথক্তা ইনফোর্মেসন টৱার ওইনা শিজিন্নরম্বা মফম অসিদসু উপাল থাবগী থৌরম অমা পাঙথোক্লগনি হায়খি।

ইমজেন্সি মীফমদা কন্দেম তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ঃ মণিপুর পি দব্লিয়ু দি ইঞ্জিনিয়ার এসোসিয়েসন (এম পি ই এ) গী ঙসি ইমজেন্সি মীফম অমা পাঙথোক্তুনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে।

ঙসিগী মীফমনা কন্দেম তৌখিবা অদুগী মরমদি, হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা জিরিবাম দিভিজনগী পি দব্লিয়ু দি ওফিসতা মশক খঙদবা মীওই খরনা ওফিসকী ক্বাটরদা চঙদুনা জিরিবামদা লৈবা একজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়ারগী ওফিস অমাং-অতা থোকহনখিবা অদুগী মতাংদনি। থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মরাল লৈবশিং অদু অথুবা মতমগী মনুংদা ফাগৎতুনা মরালগী মতুং ইন্না মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরি সি ঐচ বিশ্বচন্দ্র সিংহগী চেরোল অমনা হায়রি।

মীতৈ পাঙলশিংবু করেম কথাইনবা ওইনা উহল্লে

ইম্ফাল, জুন ১১ঃ লমদম অসিদা মীয়ামনা য়াম্না পাম্না য়েংনরিবা শুমাং লিলাশিং অমদি লমদম অসিদা পুথোকপা ফিল্ম খরদা মীতৈ পাঙলশিংগী লোন্দা-পুদা কয়া শাদুনা করেম-কথাইনবগী মওংদা কোমেদি ওইনা শিজিন্নবা ৱাহৈ কয়া য়াওরে।

শুমাং লিলা অমদি ফিল্মশিংদা অয়েংবশিংবু ঙাইহাক নোকহনবা অমদি নুংঙাইহন্নবনি হায়দুনা মীতৈ পাঙলশিংগী মওং-মতৌ শাদুনা কোমেদি ওইনা লোন্দা-পুদা কয়া ঙাং-শকপা কয়ামরুম অদুনা জেনরেল মীতৈ পাঙলশিংগী থম্মোয়দা য়াম্না নুংনাংবা পোকহনবতা নত্তনা মীতৈ পাঙল ফুরুপ অসিবু করেম-কথাইনবা অমদি উশিৎ থৌওইদবা ওইনা মীয়ামদা উহল্লে হায়না মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়ার ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও) গী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, মণিপুরগী ফিল্মশিং অমদি শুমাং লিলা খরদা মীতৈ পাঙল শাদুনা কোমেদি ওইনা শিজিন্নবা দাইলোগশিংনা মরম ওইরগা মদুগী মতৌ তম্নরক্তুনা লম্বী, ওফিসশিংদা অমদি কৈথেলশিংদা মীতৈ পাঙলশিংনা হৈনদবা মওংদা লক্লরকপা কয়া য়াওরকপদগী খৎনা-চৈনবা ফাওবা থোকপা থৌদোকশিং লৈখ্রে। ঐখোয় মীয়ামগী অপুনবা শক্তম অমা শাগৎপদা ফিল্ম, লিলা অমদি ড্রামানচিংবা কয়ানা য়াম্না চাওবা থৌদাং লৌরিবনি। মরম অসিনা মণিপুরদা পুথোক্লিবা ফিল্মশিং, লিলাশিং অমদি ড্রামানচিংবশিংদা শরুক য়ারিবা ইবুংঙো-ইবেম্মাশিংনা ফিল্ম, লিলা, ড্রামানচিংবা পুথোকপা মতমদা মীতৈ পাঙল অমদি লৈমীন্নরিবা মরুপশিংগী থম্মোয় শোকপা য়াবা দাইলোগশিং নত্রগা সিনশিংঅদু য়াওহনবীদনবা ওর্গনাইজেসন অসিনা অপিল তৌরি হায়রি।

লাক্লিবা জুন ১৩ ফাওবগী মনুংদা মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি

থৌদাং পাউমীদগী

জিরি, জুন ১১ঃ ঙসি জিরিবামগী বাবুপরাদা লৈবা জিরি ইমা মৈরা পাইবী অপুনবা লুপ (জিমপাল) গী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা জিরি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (জে দি ও) গী ভাইস প্রসিদেন্ট এন সদানন্দনা ফোঙদোকখিবদা, ঙরাং নুংথিল পুং ৩.১০ রোম তাবদা অপুনবা ত্রাইবেল মীওই খরনা গাড়ী ৫ দা লাকপদা ওল জিরিবাম রোদ ত্রান্সপোর্ট দাইভর য়ুনিয়ন (এ জে আর টি দি য়ু) গী ষ্টাফ কলেক্টরনা গাড়ীশিংগী মরক্তগী পেসেঞ্জর গাড়ী মাল্লি হায়দুনা খাম্লুবা মতমদা গাড়ী অদুদা তোঙলকখিবা মীওইশিং অদুনা য়াম্না লৈবাক মচা তাদবা ৱাহৈ কয়া শিজিন্নদুনা থিনা ঙাং-শকখিবা অমদি গুলারথোন্দা লৈবা এ জে আর টি দি য়ুগী ব্রাঞ্চ ওফিস অসি তমেংলোং এরিয়াদনি অদুনা মফম অসিদগী লৌথোকখিগদবনি হায়দুনা য়ুনিয়ন অসিগী সাইন বোর্দ অদু মখোয়না ইন্থুরমখি। লাক্লিবা মীওইশিং অদু তমেংলোং এরিয়া দিমার্কেসনগী লাকপনি হায়রম্মী। মখোয়শিং অদু মশাগী এরিয়া কদাই ফাওবনো হায়বা খঙদবা য়াম্না লৈবাক মচা তাদবা মীওইশিংনি হায়না ফোঙদোকখি।

সঞ্জিব প্রসিদেন্ট এমসু জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা ফোঙদোকখিবদা মরাং থোকখিবা থৌদোক অদুদা নাগা ইচিল-ইনাও খরনা লাক্তুনা লৈঙাংপোকপী অসি তমেংলোংগী এরিয়ানি। মফম অসিদা লৈরিবা য়ুম কয়া অসি হোংদোকখিগদবনি হায়বা থ্রিটন কয়া অমা তৌরম্বা অসি ঙসিগী পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম খুদিংমক্না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা কন্দেম তৌখি। লোয়ননা চীংমী-তম্মী ইচিল-ইনাওশিংগা য়াম্না নুংশি-চান্না লৈমীন্নরিবা অসিগী মরক্তা অমগা-অমগা য়েংথিনবগী লাল্লোং তৌরিবা অসি মতুংদা তৌবীগনু হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঙরাংগী থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং অদু আইনগী মতুং ইন্না মরী লৈনবা ওথোরিটিনা লাক্লিবা জুন ১৩ ফাওবগী মনুংদা চৈরাক পীগদবনি হায়খি। পাউগী মীফম অদুদা জে দি ওগী প্রসিদেন্ট এল রোমেন, ভি পি এন সদানন্দা, জিমপালগী প্রসিদেন্ট ঐচ মেম্মা দেবীনচিংবা কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি হায়রি।

NIELIT, Imphal

National Institute of Electronics & Information Technology
(An Autonomous Scientific Society of Ministry of Electronics & Information Technology, (MeitY) Govt. of India)
Akampat, Post Box No. 104, Imphal - 795 001, (East) Manipur

ADVERTISEMENT FOR LONG TERM AND SHORT TERM COURSES JUNE – 2019

Sl. No.	Name of course	Duration	Timing	In-Take	Eligibility	Normal Fee + GST	Starting Date
SHORT TERM COURSES							
1.	Advance Diploma in Computer Application Accounting and Publishing **(ADCAAP) NSQF ALLIGNED COURSE**	200 hrs	7:00 a.m. to 9:00 a.m.	60	XII passed	9345/-	3rd July, 2019
2.	Certificate Course on Computer Concepts **(Specially arranged on SATURDAY & SUNDAY ONLY)**	(80 hrs)	10:00 a.m. to 1:00 p.m.	30	Knowledge of English	4050/-	18th May, 2019
3.	Certificate Course on Computer Concepts	8 weeks (80 hrs)	7:00 a.m. to 9:00 a.m. 3:00 p.m. to 5:00 p.m.	30 25	Knowledge of English	4050/-	26th June, 2019
4.	Certificate Course in Financial Accounting Using Tally ERP 9.0	8 weeks (80 hrs)	7:00 a.m. to 9:00 a.m.	30	XII passed with Computer Knowledge	3540/-	26th June, 2019

ADMISSION OPEN FOR LONG TERM COURSES (MCA, M.SC(IT), BCA, DECE, DCSE, PGDCA, O-LEVEL, MAT – O LEVEL, CHM-O LEVEL) - NO COURSE FEE FOR SC/ST CANDIDATES.

Sl. 1 to 3 : No course fee for SC/ST candidates. However processing fee of *Rs. 100/- will be charged .

Application shall be submitted online through http://14.139.207.251:8080 or www.nielit.gov.in/imphal/content/admission-new, Or contact admission office during 9:30 a.m. to 5:00 p.m. on all working days (Monday-Friday).

To download CCC certificate - Visit: http://student.nielit.gov.in.

Sd/-
(Th. Prameshwor Singh)
Executive Director

NT/B/12,13(June)

ꯃꯥꯡꯂꯕ/Lost

I have lost my Admit Card of Higher Secondary Exam 2019 bearing Roll No. 4685 issued by the Council of Higher Secondary Education Manipur on the way in between my residence and Patsoi Bazar on 2nd June 2019

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Thiyam Nilakanta Singh**
Patsoi Part-II

NT/77221/12(June)

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

Mutation Case No. 304 of 2019

Ningthoujam Bharat Bhusan S/o (L) N. Binoy Singh of Wangoo Sandangkhong.
. . .O.P

-Vrs-

(L) Ningthoujam Binoy Singh S/o (L). N. Ango Singh of Wangoo Sandangkhong.
. . .O.P. Pattadar.

NOTICE

Date 11/6/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি, ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৮৫ নং ৱাঙু পাট্টা নং ২৮১/৮১৫, ১৫০১ দাগ নং ৪৩৬৪, ৪২৫৮/৪৫১২ এরিয়া ১.৩৮,১.৪৯ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিদা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎ চে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথজগনি।

Sd/-**Sub-Deputy Collector,**
Waikhong

NT/77225/12(June)

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

Mutation Case No. 303 of 2019

Ningthoujam Bharat Bhusan S/o (L) N. Binoy Singh of Wangoo Sandangkhong.
. . .O.P

-Vrs-

(L) Ningthoujam Binoy Singh S/o (L). N. Ango Singh of Wangoo Sandangkhong.
. . .O.P. Pattadar.

NOTICE

Date 11/6/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি, ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৮৫ নং ৱাঙু পাট্টা নং ৩০৪/৮৮১ দাগ নং ৪২৫৬ এরিয়া .৪৯ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিদা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎ চে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথজগনি।

Sd/-**Sub-Deputy Collector,**
Waikhong

NT/77225/12(June)

NT/BB/17to17(June)

COMET

Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

Regular Medical Ent. Coaching for NEET (UG)-2019-20

Limited Seats Available

for

Free-studentship based on NEET (UG)-2019 High Mark Scorers

- Submit Score cards of NEET (UG) 2019
- Students will be selected on the basis of marks obtained in NEET (UG) 2019

For details plz. contact COMET office, Keishamthong Top Leirak Maning ,Airport Road Imphal

NT/B/9,10,12(June)

Delta Advance School (DAS)

Kwakeithel, Imphal (Opp. Oil Pump near Kwakeithel Bazar)

Co-Educational Hr. Sec. Affiliated to COHSEM

ADMISSION OPEN

Class XI (Science & Arts)

Special Admission Offer for only remaining 50 seats

Admission Criteria

BOSEM Position Holders	Free Admission; 2 Years Scholarship (45,000 per annum); Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant; Free Uniform (1 set); Free Hostel
90% & Above (CBSE Students)	Free Admission; 1 Year Scholarship (45,000 per annum); Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant; Free Uniform (1 set);
85% & Above	Free Admission; 2 Years Scholarship (12,000 per annum); Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant
80% & Above	Free Admission; Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant
75% & Above	Free Admission; 50% exemption on Coaching; Book Grant
70% & Above	Free Admission; 30% exemption on Coaching; Book Grant
65% & Above	Free Admission; 30% exemption on Coaching
60% & Above	50% Exemption on Admission; 30% exemption on Coaching
45% & Above	Direct Admission

The Admission is based on the First come First basis.

NT/Munal/21-22(May-Jun)

HURRY UP!

LIMITED SEAT

SPOT ADMISSION

IN TOP COLLEGES AND UNIVERSITIES IN INDIA

INSTANT SCHOLARSHIP OF
Rs.10,000 IN THE TIME OF ADMISSION
Terms and Conditions Apply

COURSES OFFERED

ASSISTANCE IN EDUCATIONAL LOAN FACILITIES

UG COURSES

- MBBS
- BDS
- BAMS
- BHMS
- BYNS
- BSc. Nursing
- B.Pharm
- B.Sc Food and Nutrition
- B.Tech (All Branches)
- BBA / BCA / B.Com
- B.Sc. Agri
- Forestry
- Horticulture
- BALSP
- B.Sc Dietician
- GNM

PG COURSES

- MBA
- MCA
- MSc. Nursing
- M.Pharm
- MTHM
- MTECH(All Branches)
- MSc.Agri
- MSc. Forestry
- MSc. Horticulture

FOR FUTHER DETAILS

Career Info Solution , Near Bazar India, Above Cafe Max Restaurent
Call us : 8974120992 , 8413976991

MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED

Regd. Office: 3rd Floor, New Directorate Building near 2nd M.R. Gate, Imphal-Dimapur Road,
Imphal, Manipur – 795001
CIN:U40101MN2013SGC008343

NOTIFICATION

Imphal, the 7th June, 2019

No. 6/79/2018-19/MSPDCL (HR)/Pt-I/617-23 In continuation of this Office Notification of even number dated 30/1/2019, 07/2/2019, 14/02/2019, 18/02/2019, 20/02/2019, 04/03/2019, 26/05/2019 and 6/6/2019, it is hereby notified for general information to all the eligible Candidates that the Written Examination for Recruitment of 622 (six hundred and twenty two) nos. of Group C & D posts in MSPDCL will be held on the date and time as mentioned below:

Sl. No.	Test Group	Name of the Posts	Date	Time
1	Common Test 1	Computer Operator	16/06/2019	9:30 AM to 12:00 PM (Morning)
2	Common Test 2	i) Meter Reader cum Bill Distributor ii) Junior Establishment Assistant iii) Bill Assistant	16/06/2019	9:30 AM to 12:00 PM (Morning)
3	Common Test 3	i) Junior Technical Assistant ii) Watchman cum Cleaning Assistant iii) Office Assistant	16/06/2019	2:00 PM to 4:30 PM (Afternoon)

2. All eligible candidates may download their Admit Card from the website www.mspdcl.info **General instruction to the Candidates** may be downloaded from the Manipur Government website www.manipur.gov.in and MSPDCL website www.mspdcl.com

3. The Exam Centres along with Roll Nos. shall be notified separately.

4. This Notification is uploaded in the Manipur Government website www.manipur.gov.in and MSPDCL website www.mspdcl.com

Sd/-
(L. Priyokumar Singh)
Managing Director, MSPDCL

PERMANENT CURE

[illegible]

(দাইবেটিসকী প্রোগ্রেম)

[illegible]

(নুপাগী প্রোগ্রেম)

[illegible]

(নুপীগী প্রোগ্রেম)

[illegible]

Dr. (VAID) R N GUPTA (396)
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice-Cream Buiding 1st Floor, Opp. Senapati Bus Parking

NT/B/